## অহানবা কুঞ্জেশ্বর নীংশিং চেছ টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

# টোপ সিদেদ এপোলোসনা য়াওনা শান্নরোই ২৩ অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

CHESS



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এলাংবম সুরজ মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ৱাখ্বে য়োংলান লৈরক্পা শিন্দুনা ঙসিদগী লিজার্দ কম্যুনিটি হোল ৱাখ্বে মৈহৌবম লম্পাক্তা নুপী শান্নরোই ৩ য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৪৮ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী অহানবা এলাংবম কুঞ্জেশ্বর সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে।

অহানবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচতা টোপ সিদেদতা লৈরিবা আর কে এপোলোসনা য়াওনা শান্নরোই ২৩ মায় পাকখ্রে। টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সঙ্গিৎ নাতক একাদেমিগী এৱার্দি লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার সিংহ অমদি য়ুম্লাম রাধেশ্যাম সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি।

অহানবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচশিংদা টোপ সিদেদতা লৈরিবা আর কে এপোলোসনানা বিরজিৎ সিংহবু, অনীশুবা সিদেদতা লৈরিবা কে ঐচ সঞ্জয়না আর কে পকাসনাবু, অহুমশুবা সিদেদতা লৈরিবা এন বঙ্কিম্না এস লোরেন্সপু, এল অতেম্বীনা লাইশ্রম ইবুঙোবু, এন সোমোকান্তনা ও নিংথেম্বু, এল শ্যামকেশ্বরনা টি ঐচ উদোয়বু, কে ঐচ মেরাজাওনা সনসম রোবিন্দ্রোবু, ৱাই শঙ্করনা টি সাহেবপু, এ রোমিওনা এল ইবুঙোমচাবু, কে কুঞ্জবিহারিনা এ সরতপু, পি ঐচ গোপেশ্বরনা খাইদেম ভুপেনবু, এন বোবোচানা এন লোকেনবু, ৱাই য়াইসনানা টি ঐচ সুনিলকুমারবু, এল কোইরেংনা কে রাহুলবু, এম রেন্দ্রনা এন তোলপিশকপু, রোনাল্ড সোইবম্না এস শ্যামসনবু, পি ঐচ সুর্জকান্তনা ই সচিকান্তবু, কে ঐচ ওলেননা ৱাই নেলসনবু, অরিবম আনন্দনা এল সরোজকুমারবু, সোইবম বোইনাওনা এন জি নুংশিথোইবু, এল য়েমেননা এন সাইলেন্দ্রবু, এন য়োহেনবনা ৱাই কোনালিকাবু অমদি মালেমঙানবা লোইতাম্না জি এ অরাসমিটপু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৩/৩ ফংখ্রে।

মরিশুবা সিদেদতা লৈবরিবা সেক্সপিয়র এল অমদি ২৮ শুবা সিদেদতা লৈরিবা এম সনাতোম্বা দ্রো ওইবদগী পোইন্ট অমমম ফংনখ্রে।

রাউন্দ ৭ শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদগী শান্নবা হৌরগনি।

# এম সি এগী প্লেট গ্রুপ লীগ টুর্নামেন্টকী মখা তাবা মেটচশিং শান্নবা হৌখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মমাং চহীদগী হৌদুনা চথরকখিবা এম সি এগী প্লেট গ্রুপ লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪ মতম শাংনা শান্নবা লেপ্পুরবা মতুং ঙসিদগী মখা তাবা মেটচশিং শান্নবা হৌখিবগা লোয়ননা ওস্কারনা ই এস য়ুবু রন ১৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওস্কার অমদি ই এস য়ুনা শান্নখিবা ৭ শুবা মেটচ অদুদা ওস্কারনা তোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০ দা ওল আউট ওইরগা রন ৯৭ লৌখি। ইনিংস অদুদা অজয়না বোল ৫১ দা রন ৩৪, থাগালনা বোল ২১ দা রন ১৮ অমদি সমিরনা বোল ৮ দা রন ১২ লৌখি। ই এস য়ুগী বোল্লর সুর্জিৎনা ৱিকেট ৩, মিহুল অমদি সিবানন্দনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

ই এস য়ুনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৪ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৭৯ খক লৌবদগী রন ১৮ দা মায়থীখিবনি। ইনিংস অদুদা বিমানন্দনা বোল ১২ দা রন ১২ অমদি সঙ্করনা বোল ১৮ দা রন ১১ লৌখি। ওস্কারগী বোল্লর বোবীনা ৱিকেট ৩, রোহিদ, হেদেন অমদি অজয়না ৱিকেট ২/২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা ওস্কারগী অজয়না রন ৩৪ অমদি ৱিকেট ২ লৌরগা তাখি। হয়েং পি সি সি ময়াই কোইবীগা দব্লিউ সি এ য়েংখোম লৈরক্কা শান্নগনি।

# আই এননা দেবলা ট্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* আই এন শগোলতোংবনা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা দেবালা মেমোরিয়েল ট্রস খাঙবোক্সা শিন্দুনা মমাং থাগী ৭ তগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আই এন শগোলতোংবনা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখঙলাকপবু ৱিকেট ৪ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। এস এস সি সিনা অহানবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৪.৩ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৩৪ খক লৌখি। আই এন শগোলতোংবনা এস এস সি সিনা থল্লমখিবা টার্গেট রন ৩৫ অদু ওভর ১৩.৪ দা ৱিকেট ৬ তুরগা লৌদুনা ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা আই এনগী এলেক্সনা তাখি।

মেন ওফ দি সেরিজনা এস সি সি খাঙবোক্কী এম প্রিয়োবর্ত্তনা তাখি। টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা স্পিকর লোকেশ্বর অমদি এম এল এ ও লম্ব্োনিনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েম্বোকখি।

# ডাঃ টি আউ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* ডাঃ টি আউ নোর্থ ইষ্ট ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ ঙসিদগী আইজোলদা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী লীগ মেটচশিংদা নোর্থ ইষ্ট জোন সন্তোস ট্রোফিগী ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা মীজোরাম্না ট্রিপুরাবু গোল ২–১ দা অমদি মেঘালয়ানা নাগালেন্দবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মণিপুরগী অহানবা মেটচ হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা আসামগা শান্নরগনি।

মণিপুরগী গ্রুপ্তা পুন্না লৈরম্বা অরুনাচল প্রদেশ ৱিদ্রো তৌখিবদগী গ্রুপ (বি)দা টিম ৩ খক্লা লম্বা তৌনরগনি। মণিপুরগী অনীশুবা মেটচনা তাং ৮ দা সিক্কিমগা শান্নগনি।





# শগোলবন্দ কেন্দ্র ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং ঙসি শান্নরগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ শগোলবন্দ মন্ত্রি ময়ুম লৈকাই ভলন্টরি ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা বিজয় গোবিন্দগী লম্পাক্তা চথরিবা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র সবেন এ–সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী সেমি ফাইনেলগী মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি।*

*অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস এস এ এন থাংজম লৈরক্কা কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেলগা নুংথিলগী পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নগনি।*

*অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা নুংথিলগী পুং ৫.৩০ দা কে ৱাই সি কাখুলোংগা এস ৱাই দি এ বিজয় গোবিন্দা মমাং লৈকাইগা শান্নগনি। নুংমিদাংগী পুং ৭ তনা এম এল এগী টিমগা ফিল্ম ষ্টারগী টিমগা অখন্নবা মেটচ অমা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা তাং ৮ দা শান্নগনি।*

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ভেটরান ক্রিকেট ফাইনেল চঙখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ২০১৩–১৪গী ফাইনেল চঙখ্রে। লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেমপল্লিবু রন ৪১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অদুদা সাইক্লোননা তোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৫০ লৌখি। ইনিংস অদুদা ইঙেনজাওনা বোল ৩৬ তা রন ৩২, ষ্টেন্দলিনা বোল ২৬ তা নোট আউট ওইরগা রন ৩৬, সুনিলনা বোল ২৩ দা রন ১৯ অমদি টিকেননা বোল ৩৪ দা রন ১৮ লৌখি। চেম্পকী বোল্লর দেবিদ, রতন অমদি তোমথাংনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

চেম্পনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৬ তা ওল আউট ওইরগা সুপ্নতগী রন ১০৯ খক লৌখি। ইনিং অদুদা নিংহোরনা রন ২৬, রতননা রন ২৫, ইঙলেন অমদি মোহেননা রন ১৬/১৬ লৌখি। সাইক্লোনগী বোল্লর রোবিন্দ্রোনা ৱিকেট ৪, বিনোয়না ৱিকেট ২, টিকেন অমদি অরুনবা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী রোবিন্দ্রোনা তাখি।

## জে এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনা ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন (জে এ) ককচিং মখা লৈকাইনা শিন্দুনা ঙসিদগী এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা অনীশুবা জে এ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী লীগ মেটচতা আই ৱাই এ ককচিং ৱাইরিনা টি য়ু সি থোংজাওবু গোল ৪–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। আই ৱাই এগী গোলশিং অদু প্রিয়োকুমার, সমানন্দা, হেম্বা অমদি দেম্পরনা ২৬, ৪০, ৫৫ অমসুং ৬৭ শুবা মিনিটতা অমমম চনখি। টি য়ু সিগী গোলশিং অদুনা বুংহোন, গৌরগোপাল অমদি সুমন্তনা মথংশিংনা ৪২, ৭৫ অমদি ৭৯ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১২.৩০দা ৱাই পি ও সোরাগা এস দব্লিউ সি ৱাইখোংগা অহানবা মেটচতা অমদি নুংথিলগী পুং ২.৩০ দা সেসু ককচিংগা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীগা শান্নগনি।

## জুনিয়র, ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* উচিৱা ৱাংমা পোপুলর ৱেলফিয়ার ক্লবনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা জুনিয়রগী টিম ৭ অমদি ভেটরানগী টিম ৬ না শরুক য়ারগা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র অমদি ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা জুনিয়রগী গ্রুপ (এ)গী অহানবা লীগ মেটচতা য়ু দব্লিউ পি ৱাই সি (এ) উচিৱানা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্বু সেট ৩–০ (২৫–১৩, ২৬–২৪, ২৬–২৪)দা মায়থীবা পীখ্রে।

হয়েং অয়ুক্কী পুং ৮ দা ভেটরানগী য়ু দব্লিউ পি দব্লিউ সিগা ৱাই য়ু সি শঞ্জেনবমগা, পুং ৯ দা জুনিয়রগী এম আই এম ময়াং ইম্ফাল মাইবমগা এস ৱাই দি সি সম্হেলগা শান্নগনি।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*